# লোকেস রাহুলগী রন ১৫৮ না ইন্দিয়াবু অনীশুবা নুমিৎতা ব্রেষ্ট ইন্দিজদগী রন ১৯৫ হেন্দুনা চৎখ্রে

*কিংষ্টন, ওগষ্ট ১ ঃ*

ওপনর লোকেস রাহুলগী রন ১৫৮ কী মতেংনা ইন্দিয়া অমসুং ব্রেষ্ট ইন্দিজনা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচকী নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ব্রেষ্ট ইন্দিজদগী রন ১৯৫ হেন্দুনা চৎলি।

থা অসিগী ৩০ দগী হৌখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী ওপনর লোকেস রাহুলনা বোল ৩০৩ দা ফোর ১৫ অমসুং সিক্স ৩ গা য়ৈরগা রন ১৫৮ লৌবা ঙমখি। মহাকপু ব্রেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লর গাব্রিয়েলনা মশাগী রন ১৫৮ লৌদুনা লৈরিঙৈদা আওট তাহনখিবনি।

মমাঙগী অহানবা টেষ্ট মেটচতা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা রন ১০০ গী মথক্তা লৌখিবা রবিচন্দ্রন আস্বিন অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিদদি শুপ্নগী রন ৩ লৌখি।

ইন্দিয়াগী অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা চিটেশ্বর পুজারাসু রন ৪৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থোরকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেনসু ওইরিবা ভিরাট কোলিসু মমাঙদা ফজনা শান্নখিবা অদু অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিদা ফজনবা শান্নবা ঙমখিদে। মহাক শুপ্নগী রন ৪৪ দা আওই ওইখি।

অজিক্যা রহানেনা অমসুং রিদিমান সাহনা অনীশুবা নুমিৎ অদু লোইশিনখিবদা মথংশিংনা রন ৪২ অমসুং ১৭ লৌরগা লৈখি।

অদুবু অহুমশুবা নুমিৎকী শান্নরকপগী থেংনা ফংবা পাউদা অনীশুবা নুমিৎতা শান্নবা লোইশিনখিবদা লৈখিবা স্কোর অদুদগী রন ৬৭ হাপচিন্দুনা অজিক্যা রহানেনা বোল ১৭৬ তা ফোর ১১ অমসুং সিক্স অমা য়ৈরগা রন ৭৪ লৌরগা আওট ওইদনা লৈরি অদুগা রিধিমান সাহনা আওট ওইরগা রন ৪৭ লৌখি।


*অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা রন ১৫৮ লৌখিবা লোকেস রাহুলনা সোট অমা তৌবা*

# নাদানা নরসিং যাদবগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখ্রে রিও ওলিম্পিকক্তা শরুক য়ারগনি

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১ঃ*

নেসনেল এন্টি দোপ্পিং এজেন্সি (নাদা) না ঙসি ইন্দিয়াগী রেষ্টলর নরসিং যাদবগী মথক্তা দোপ্পিংগী চার্জ থল্লম্বশিং অদু লৌথোকখ্রে। মহাক তাং ৫ গী হৌগদৌরিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈগী মরুওইবা রেষ্টলর ওইনা শরুক য়ারগনি।

ঙসি নাদানা মখোয়গী অরোইবা ব্রারোল অদু ফোঙদোক্তুনা নরসিং যাদবগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং অদু মঙোন্দা অতম্মনা লালোং শিজিন্নদুনা ওলিম্পিকক্ত য়াওহন্দনবা হোৎনরম্বনি হায়খি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চয়োলদা নরসিং যাদব দোপ টেষ্ট অনীদা ফেল ওইখিবনি। মরকসিদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শেংদোরকপদা নরসিং যাদবগী ফুদ সপ্লিমেন্টশিং অদুদা অতম্মনা পোৎয়ান হাপচিল্লম্মী হায়বা খঙদোকপা ঙমখি। লোয়ননা মমসিগী মতাংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথরি হায়খি।

ফেদরেনস অসিগী প্রসিদেন্ট ব্রিজ ভুসন সিংহনা ফোঙদোরকপদা মমাঙগী নরসিংগী মহুৎ শিন্নবা মমিং লাওথোকখিবা অদু প্রোবিজি নেলনি। হৌজিক্তি মহাক্কী মথক্তা লৈরম্বা চার্জশিং অদু লোয়না কোক্লবনিনা ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং টিম জিওজিয়াদা ট্রেনিং চথরিবা অসিদা শরুক য়াননবা ঙসি নুমিদাং খোঙশাল্লগনি হায়রি।

ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্টনা মখা তারদুনা ইন্দিয়ান ওলিম্পিকক্স এসোসিয়েসন, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি অমসুং মেডিয়াবু নরসিংগীদমক মতং পাং লকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা নরসিংগী লোয়র বিধুসপট সিঙ্গানিয়ানা ফোঙদোরকপদা নরসিং যাদব করিগুম্বা মখল অমত্তগী চৈরাক ফং লরোই। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নরসিং যাদবগী চান্নবগী পোৎলমশিং দা চহী ১৭ তা ঙাইরিবা জুনিয়র রেষ্টলর অমনা থিংখ্রবা পোৎয়ান অদু হাপচিল্লম্বনি হায়বা খঙবা ঙম্মী হায়খি।

হায়রিবা জুনিয়র রেষ্টলর অদু ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা জুনিয়র ব্রার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুরবা রেষ্টলরনি হায়রি।

পনবা য়াই নরসিং যাদবনা কিলোগ্রাম ৭৪ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর সুসিল কুমারগা লোয়ননা রিওদা চৎননবা অকনবা মওংদা মুক্লন্দুনা লাকপদগী মমৈদা কোর্ট য়ৌনরবা মতুং নরসিংনা মতিক চাবা হেনবা রেষ্টলরনি হায়না ব্রারেপ লাকপদগী ইন্দিয়াগী ওইনা কেটেগোরি অসিদা মহাকপু রিও ওলিম্পিকক্সকীদমক খনখিবনি।



*দোপ টেষ্টতা চয়েংনবা কয়া লৈরুরবা মতুং রিও ওলিম্পিকক্সতা শরুক য়ারগদবা নরসিংনা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাংবা*

## রোজর্স কপ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# রোজর্স কপগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসতা নোবাক জোকোবিস অমসুং সাইমোনা হালেপ্পা টাইটল লৌখ্রে



*নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস (ওই) অমসুং রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ*

*টোরোন্টো। মোন্ট্রিএল, ওগষ্ট ১ঃ*

নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান টেন্নিস শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং নুপীগী ৱার্ল্ড নম্বর ফাইব সাইমোনা হালেপ্পা সিঙ্গলসকী টাইটলশিং লৌখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদুদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনখিবনি।

নুপাগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু জোকোবিসনা য়াম্না লায়বা মওংদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা নিসিকোরিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

জোকোবিসনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং নিসিকোরিগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নবা হৌরকখি। গেম ১০ শান্নরকপা ফাওবদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্ননা শান্নখিবা মরম্না গেম মান্নদুনা লৈখি। মদুগী মতুং তারকপদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা নোবাক জোকোবিসনা গেম অনী থংন-থংননা মায় পাক্তুনা ৭-৫ তা থোইখিবদগী টাইটল অদু জোকোবিসনা লৌখিবনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৫ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্পা য়ু এস এ গী টুর্নামেন্ট অসিদা ১০ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী মেডিসন কিজবু ষ্ট্রেট সেটতা ৭-৬ (৭-২), ৬-৩ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখিবনা টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। য়ু এস এগী শান্নরোই ওইরিবী মেডিসন কিজগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নখ্রবসু অহানবা সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্পা ৭-৬ (৭-২) দা থোইবা ঙমদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা সেট অদুদদি রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎতুনা য়াম্না লায়বা মওংদা য়ু এস এ গী মেডিসন কিজগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা সিদেদ জুরা ওইরিবা ক্রোএসিয়া অমসুং ব্রাজিলগী ইভান দোগিগ অমসুং মার্সেলো মেলোনা গ্রেট বৃটেন অমসুং ব্রাজিলগী জুরা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা জেমি মুরে অমসুং ব্রুনোগী জুরাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অনীমক ক্রোএসিয়া অমসুং ব্রাজিলগী জুরা ওইরিবা ইভান দোগিগ অমসুং মার্সেলো মেলোনা গ্রেট বৃটেন অমসুং ব্রাজিলগী জুরা ওইরিবা জেমি মুরে অমসুং ব্রুনো সোরেজগী সার্ভিস গেম অমমম ব্রেক তৌদুনা ৬-৪, ৬-৪ দা থোইখিদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রুশিয়াগী জুরা ইকাটেরিনা মকারোভা অমসুং ইলেনা ভেসনিনানা রোমানিয়াগী জুরা সাইমোনা হালেপ অমসুং মোনিকা নিকুলেস্কুবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৭-৬ (৭-৫) তা মায়থিবা পীদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিম ইংলেন্দনা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মার্লো, ওগষ্ট ১ঃ*

ইংলেন্দগী টুরদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিম ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইরিবা ইংলেন্দগী মখুত্তা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা নংখ্রে।

ঙরাং ইংলেন্দগী সহর মার্লোদা লৈবা বিসাম অবেব স্পোর্টস একাদেমিদা শান্নখিবা মেটচ অদু শান্নবা হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা মশান্না উৎতুনা শান্নবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফ অদুদা ইংলেন্দগী মায়োক্তা য়াম্না ফজবা এটেক কয়া চথবা হৌরকখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চখরকখিবা অদুগী মহৈ ওইনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনিটতা অজয় যাদবনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল অমা হেন্দুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোখরবা ইংলেন্দগী টিম্না ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা এটেক চখদুনা ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনবা লেপখিদে। শান্নবগী ২৬ শুবা মিনিটতা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ৱিল কালনন্না ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা পাঞ্জল ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মীৎকুপ্তা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ইদ হোরলরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াদগী পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।


অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেটচ অদু ইংলেন্দনা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

মেটচ লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী কোচ হরেন্দরনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী টিম্না পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংখি অদুবু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। মদু ঐখোয়গী টিমগী অশোয়বনি মতুংগী মেটচতা শোয়দনবা হোৎনগনি হায়খি।










## এন পি এসকী মখাদা টায়র-টু একাউন্ট হাংদোকউ

শক্তমশিং ঃ এনপিএস সবক্রাইবর খুদিংমক্তা ফংগনি, কেন্দ্র। রাজ্য লৈঙাক্কী এমপ্লোয়িশিং, প্রাইবেট সিটিজনশিং, কোর্পোরেট এমপ্লোয়িশিং. অদোমগী টায়র-১ একাউন্টগী মথক্তা অহেনবা তুংশিনবগী খুদোংচাবা. লিক্কিদিটিগী নিংতম্বা. অফবা রিটর্নশিং. মমল হোংবা. ইএনপিকী মতাংদা মতম চংদনা হাংদোকপা য়াবা!. টায়র-২ দগী টায়র-১ দা লায়না হোংদোকপা য়াবা

হৌখিবা চহী অনী (২০১৬ কী জুন ৩০ ফাওবা) গী এন পি এস টায়র-টু একাউন্টগী শক্তমশিং ঃ

| এসেট ক্লাস | বেঞ্চমার্ক রিটর্নস | এসবিআইপিএফ | এলআইসিপিএফ | য়ুটিআইআরএসএল | আইসিআইসিআইপিএফ | রিলায়েন্স পি এফ | কোটাক পি এফ | এইচদিএফসি পি এফ |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| ই | 5.43% | 6.55% | 4.45% | 7.99% | 6.43% | 5.86% | 6.36% | 6.04% |
| সি | 11.67% | 11.27% | 10.60% | 11.24% | 11.83% | 11.03% | 10.89% | 9.44% |
| জি | 12.80% | 13.06% | 12.21% | 12.77% | 12.91% | 13.07% | 12.90% | 12.51% |

NPS National Pension System Trust
Regulated by PFRDA
nps national pension system Save Right Retire Bright
pfrda

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*